# থাইলেন্দ প্রাইম মিনিষ্টরগী মথক্তা মরাল শীখ্রে



*বেঙ্কোক, ফেব্রুৱারি* ২৭ঃ থাইলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর য়িংলুক সিনাৱাত্রানা মহাক্কী মথক্তা এন্টি করপসন পেনেলনা রাইটস সবসিদি স্কিমগী মতাংদা মহাক্কী গভর্নমেন্টনা অরানবা তৌখি হায়না মরাল শীরিবা অদুগী মতাংদা মহাক্কী লোয়রবু পেনেল অসিদা মহাক্কী মহুৎ শীন্দুনা থাখ্রে হায়রি।

মহাকপু মফমদগী লৌথোকপা পান্লিবা ওপোজিসননা হায়বদা রাইটস সবসিদি প্রোগ্রাম অসি করপসননা হারবা থৌশিল অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর অসিগী মথক্তা শীরিবা মরালশিং অসি চুম্মী হায়না প্রমান তৌবা তারবদি মহাকপু মথৌ তৌহন্দবগা লোয়ননা চহি ৫ পোলিটিক্স য়াওবা য়াদবগী চৈরাক ফংবা য়ারি।

থাইলেন্দগী রাজনিতিগী চরাংনবা ফিভম অসি নোংম-নোংমগী ভাইওলেন ওইবা হেনগৎলকপগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর অসিসু ঙরাং থাইলেন্দগী অৱাং থংবদা লৈবা চিয়াং রাই সিটিদা পায়শিনখ্রে। অদুগা নেস্নেল এন্টি করপসন কম্মিসন (এন এ সি সি) দদি মহাক্কী মহুৎ ওইনা মহাক্কী লোয়রবু চৎহনখি। মঙোন্দা শীরিবা করপসনগী মরালশিং অসি য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা অচুম্বা খঙদোক্লবা এন এ সি সি বু মতেং পাংগনি হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

নিংশিংবা য়াবদি য়িংলুক্কী গভর্নমেন্টনা ঙসিগী ফ্লেগসিপ প্রোগ্রাম ওইনা চংখিবা রাইটস সবসিদি প্রোগ্রাম অদুদা মালেমগী চৎনবা য়াবা মমলদগী ৱাংনা হৌখিবা চহি অনিরোমদা লৌমীশিংদগী চেং লৈশিনখিবনি।

থৌশিল অসি লৌমীশিংনদি থোইদোক্লা পান্নবা থৌশিল অমা ওইখি। অদুম ওইনমক থাইলেন্দগী মপালদা চেং থাদোকপগী থৌরমদদি ফজনা চৈথেং ফংহনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী শেনমাং দোল্লর বিল্লিয়ন ৪.৪ রোম ওইখি। হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১৫ দা থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা কেবিনেট মিটিং অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর অসি থাই এয়ার ফোর্স হেদক্কার্টর্স থাদোক্তুনা চৎখিবনি।

ঙরাংসু বেঙ্কোক্তা নেস্নেল পুলিস হেদক্কার্টর্সতা ৱাকৎলোইশিংনা থাইলেন্দগী ফিরালশিং পায়রদুনা রেল্লি অমা পাঙথোকখি। ৱাকৎলোইশিংনা প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিস য়াওনা গভর্নমেন্টকী ওফিসিয়েল বিল্ডিং কয়ামরুমদি হাকুম চহিদগী হৌনা ব্লোক তৌদুনা লৈরক্লিবনি। ঙসি নেস্নেল এন্টি করপসন কম্মিসনগী ওফিস মমাংদা গভর্নমেন্টপু শৌগৎপা মীয়াম অমনসু রেল্লি অমা পাঙথোকখি।

নিংশিংবা য়াবদি গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা মীয়াম্না অকনবা ৱাকৎ খোঙজং চংশিল্লম্বদগী অঙাংশিংসু য়াওনা মীওই কয়ামরুমসু শিখ্রবনি। ৱাকৎ ঈহৌশিং অসিনা মরম ওইদুনা অনৌবা পার্লিয়ামেন্ট মীফম ফম্বা য়াদবদগী তোন্দুনা লৈরিবা লৌমীশিংগী শেনফম পীথোকপা ঙমদবনা চেং য়োনখিবা লৌমী কয়ামরুম অৱাবা চৈথেংসু মায়োক্লরি।

অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা হায়বদদি মহাক্তি পোলিসি অসিগী ফোর্মুলা অমা শেম্বা খক্তগী থৌদাং লৌবনি। নুংতিগী ওইনা থৌশিল অসিগী ওইনা চংখবা থবক থৌরমশিংগী অকুপ্পা মরমদদি মহাক খঙদে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

এন এ সি সি নসু মঙোন্দা ইকাই খুম্নবা য়াওদনা থবক চৈখে হায়নসু মহাক্লা পেন্দবা ফোঙদেকখ্রে। হাকুম চহিদগী গভর্নমেন্টপু য়াদবশিংনা ৱাকৎ ঈহৌ চংখবদা বেঙ্কোক্তা মিনিষ্ট্রি কয়ামরুমগী থবক থৌরমশিং থিংজিনখিবা মতুংদগী অহানবা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টরগী সপ্পোর্টরশিংনা চপ মান্নবা থৌওং অমদা এন এ সি সি গী ওফিস ব্লোক তৌশিনখি।

কম্মিসনগী ওফিসিয়েলশিং ওফিসতা চংবা য়াদনবা গেটসু শো লোনশিনখি। য়িংলুককী ফ্যু থাই পার্টিগী ৱাঙাংলোই অমনা হায়বদা এন এ সি সি অসি হান্ননা প্রাইম মিনিষ্টরগী মায়োক্তা থবক চংখবা কম্মিসননি হায়নসু মরাল শীখি।

# য়ুক্রেন পার্লিয়ামেন্টনা অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর অমা খনখ্রে



*কিয়েব, ফেব্রুৱারি* ২৭ঃ য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ভিক্টর য়ানুকোভিসপু মফমদগী তাম্থোকখ্রবা মতুংদা মহাক্কী মায়োক্তা ৱাকৎ ঈহৌ চংশিনবদা মরুওইবা লুচিংবা অমা ওইখিবা অর্সেননি য়াটসেনয়ুকপু য়ুক্রেনগী ইন্টরিম প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা খনখ্রে।

রিজনেল গভর্নমেন্ট হেদক্কার্টর্সপু খুৎলায় পায়বশিংনা কোইশিল্লগা রুসিয়াগী ফিরাল হায়গৎখিবগী মতুং পুং খরা লৈরগা য়াটসেনয়ুকপু নেস্নেল য়ুনিটি গভর্নমেন্টকী মকোক ওইনা খনখিবনি। ক্রিমিয়াগী কোনুং সিম্ফরোপোলদা পাউমী অমনা হায়খিবদা পার্লিয়ামেন্টকী শঙলেন অদুদি মনুংদগী টেবল অমদি চৌক্রিশিংনা থোঙদা ঙাকশিন্দুনা থমখিবদগী মীওই অমত্তা চংবা য়াদ্রে হায়না ফোঙদোরকখি।

মশাগী চহি ৩০ রোম শুরবা মীওই অমনা হায়খিবদা, ঙরাং অহিং নোংমৈ মখোল তাবদগী ঐনা কুমথদুনা য়েংবদা মী ময়াম অমা চংশিনবা উখি। খরনা ঙাইহাক লৈরগা অমুক থোকখি। হৌজিক মনুংদা মী কয়ামুক লৈরমগদগে হায়বা ঙমদ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

নাতোগী সেক্রেটরি জেনরেল এন্দর্স ফোগ রাসমুসেননা হায়বদা ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা মহাক নুংনাংবা ফাওই হায়বগা লোয়ননা ৱাখল লান্না খন্নবদগী শেরান্নবা উংখৎনবা য়াবা ফিভম থোকহনগদবা থবক অমত্তা চংশিন্দনবা রসিয়াদা তকশিনখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

ক্রিমিয়াদা ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা ঐহাক নুংনাংবা ফাওই। মরম অসিনা ঐনা রসিয়াদা ৱাখল তান্নদবা থোকহনবা য়াবা নত্রগা মুক্লবগী ফিভম হেনগৎহনবা য়াবা করিমতা তৌদনবা তকশিনখ্রে হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

রুসিয়ানশিংনা নম্না খুন্দাবা ক্রিমিয়া হায়বা য়ুক্রেনগী লমদম অসি য়ুক্রেনগী অনৌবা লৈঙাক লুচিংবশিংগী মায়োক্তা ঈহৌ চংশিনবা মরুওইবা মফম অমা ওইলিবনি। য়ুক্রেনদা তোকখাই তানিংবগী ইঙ্গিৎশিং উরকপদগী অনৌবা লৈঙাক লুচিংবশিংনসু নুংশা থিবা ফোঙদোক্লরে।

রুসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননসু ক্রিমিয়াদা লৈবা ইঠনিক রুসিয়ানশিংনা মতম অমগী সোভিয়েট য়ুক্রেনদা সোভিয়েট কম্মুনিষ্ট লিদর নিকিতা খুরসেফনা পীথোকখিবা লমগী শরুক অদু অমুক লৌশিন্নবা তকশিল্লকপদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এসনা হায়বদসু য়ুক্রেনগী ওইরিবা ফিভম অসিদা রুসিয়ানা মিলিটরি এক্সন লৌখৎলক্লবদি থৌওং অদু অচৌবা অরানবা অমা ওইগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

# ম্যান্মারদা সুসিল কোইরালানা মনমোহোন সিংহগা উন্নগদৌরি



*কাঠমান্দু, ফেব্রুৱারি* ২৭ঃ হন্দক্তা নৌনা নেপালগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরবা সুসিল কোইরালানা ম্যান্মারগী কোনুং নেপিদোদা পাঙথোক্কদবা অহুমশুবা বিমষ্টেক সম্মিটতা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহোন সিংহগা উন্নগদৌরি হায়না লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

কোইরালানা ইন্দিয়াগী মহাক্কা ফম মান্নবা মীশক অসিবু নেপালদা লাক্লবা ইনভাইটেসন অমা পীখিবা অদু অমুক নৌনা নিংশিংনবগী খুদোংচাবা অমা মিটিং অসিনা ওইগদৌরি। হৌখিবা চহি ১৩ অসিদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অমত্তনা নেপালদা লাকখিদ্রিবনি।

মথং চয়োলদা পাঙথোক্কদবা মিটিং অসিদা নাকল অনিমক্লা লৈবাক অনিগী মরীগী ওইরিবা ফিভম অমুক নৌনা খন্নমিন্নবগা লোয়ননা নেপালগী চরাংনরিবা ফিভম অসিদগী কোক্লবা শান্তিগী থৌশিল অমা লোইশিনবা ঙম্নবা খোঙথাং অমগী মতাংদা খন্নবসু য়ানা লৈরি হায়না নেপালগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

নেপালগী অনৌবা গভর্নমেন্ট লুচিংবা ওইবগী থৌদাং হেক পুবগা অহানবা ওইরিবা মীরৈবাক্কী খোঙচৎ অসিদা কোইরালানা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরবু উন্নবা হায়বসি খ্বাইদগী মরুওইবা এজেন্দ অমসু ওইনা লৌরি।

মনমোহোন্দসু নত্তনা বি আই এম এস টি ই সি (বিমষ্টেক) কী মেম্বর লৈবাকশিংগী লুচিংবা খরগসু কোইরালাগা উন্নগদৌরি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# য়ু এস ন্যুক প্লান্টতা এমপ্লোয়ি ১৩ রেদিয়েসনগী চৈথেং ফংখ্রে

*ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারি* ২৭ঃ য়ু এসকী নিউ মেক্সিকোদা লৈবা লৈনুংগী ন্যুক্লিয়ার ৱেষ্ট সাইট অমদা এমপ্লোয়ি ১৩ রেদিয়েসনগা হকথেংনবগী খুদম ফংলে হায়রি।

এমপ্লোয়িশিং অসি চাংয়েং চংখবদা প্লুটোনিয়মনা থোকহনবা ত্রান্স য়ুরেনিক ৱেষ্ট অমা ওইরিবা অমেরিসিয়ম-২৪১ হায়বা আইসোটোপ অসি পোজিটিভ ওইরে হায়বা খঙখিবনি।

রেদিওন্যুক্লিদ অসি স্মোক দিটেক্টরশিংদসু শীজিন্নবা ন্যুক্লিয়ার খুৎলায় শাফমশিংগী কন্টামিনেন্ট অমনি। য়ু এসকী অহানবা অন্দর গ্রাউন্দ রিপোজিটরি ওইরিবা ৱেষ্ট সাইট অসিগী মেনেজর ওইবা জোসে ফ্রেঙ্কোনা ঙরাং হায়খিবদা কন্টামিনেসনগী চাংদি হাক্লা কনবা ওইদে হায়বগা লোয়ননা মখা তানা চাংয়েং চংখবা মথৌ তাগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অহানবগী ওইনা ফংবা রিজল্ট অসিনা এমপ্লোয়িশিং অদুগী হেল্থতা চৈথেং লৈরে হায়না লাউথোকপদি ঙনমনগনি। অদুগা মখোয়বু লায়েং চংখবা মথৌ তারে হায়না লেপথোকপা য়াখিরোই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

চেরোল অমদা মহাক্লা হায়খিবদা নুংশিৎতগী থোকহনবা কন্টামিনেসন অসিদি চাং য়াম্না নেমখিবা মাল্লি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি। হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১৪ দা নুংশিৎতা চেনবা রেদিয়েসন অসি হেক খঙলকপদগী ৱেষ্ট আইসোলেসন পাইলোট প্লান্ট অসিগী ভেন্টিলেসন সিষ্টেম অদু ওটোমেটিক ওইনা লৈমায় মথক্তা নুংশিৎকা ওম্থোক্লখিবা থিংনবগীদমক ফিল্ট্রেসন মোদতা লৈখ্রবনি।

মতম অদুদগী হৌনা এমপ্লোয়ি অমত্তা লৈনুংদা চংদুনা থবক তৌহনখিদ্রবনি হায়নসু প্লান্ট অসিগী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরকখি।

দিপার্টমেন্ট ওফ ইনর্জিগী ওফিসিয়েলশিংনা হায়বদসু ওইরিবা ফিভম অসিদা মীওইবগী হেল্থতা নত্রগা অকোইবগী ফিভমদা খুদোংথিনিঙাই অমত্তা লৈরোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াবদি পাইলোট প্লান্ট অসিগী মথি মকুমশিং লৈনুংদা ফিট ২১৫০ লুনা তৌথরগা লৈবা সোল্ট ফোর্মেসন মরক্তা শাবা দিস্পোজেল রুমশিংদা পৈশিন্দুনা থম্বনি। থা অসিগী হৌরকপদসু লৈনুংদা মৈ হৌরকদগী সাইট অসিগী তোঙান তোঙানবা শরুক খরা হোংদোকখ্রবনি।

# নাসাগী কেপ্লর টেলিস্কোপনা অনৌবা প্লানেট কয়ামরুম খঙদোকপা ঙমখ্রে



*ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারি* ২৭ঃ য়ু এস স্পেস এজেন্সিগী কেপ্লর টেলিস্কোপনা ঐখোয়গী সৌরজগৎ অসিগী ৱাংমদা লৈবা অনৌবা প্লানেট ৭১৫ রোম মশক খঙদোকপা ঙম্লে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

এক্সো প্লানেট হায়নরিবা অসিবু ইহান হানবা ওইনা পুথোকখ্রবা মতুংদগী চহি ২০ লোমগী মরকসিদা অনৌবা ৱার্ল্ড লিশিং অমা হেন্না রিসার্চরশিংনা খঙদোকপা ঙম্লে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

কেপ্লর টেলিস্কোপনা খ্বাইদগী কোনবা ওইনা থেংনরিবা প্লানেটশিং অসি মল্টি প্লানেট সিষ্টেম অমদা য়াওদুনা থৱানমিচাক ৩০৫ গী অকোইবদা চৎপশিংনি হায়রি।

প্লানেটশিং অসিগী অপুনবগী চাদা ৯৫ রোমদি ঐখোয়গী সৌরজগৎতা লৈরিবা নেপচুন গ্রহদগী হেন্না পীকপা ঙাক্তনি। অদুবু প্লানেটশিং অসি অয়াম্বনা পৃথিবীগী রেদিয়সকী শরুক মরি রোমগী রেদিয়স ওইবশিংনি। প্লানেটশিং অসিগী মনুংদা মরিদি মালেমগী রেদিয়সতগী শরুক অনিমখাইরোম পীকথৈ।

কেপ্লর স্পেস টেলিস্কোপ অসি ঐখোয়গী নিংথৌ তুরেল (মিল্কি ৱে) গেলেক্সিগী মনুংদা পৃথিবীগা চাওবা মান্নবা প্লানেট কয়ামরুম লৈরিবগে হায়বদু খঙদোক্লবা দোল্লর মিল্লিয়ন ৬০০ লোম চংবা মিসন অমদা ইং ২০০৯ দা থবক তৌবা হৌখিবনি। পোইন্টি মেকানিজমদা অশোইবা লৈবদগী টেলিস্কোপ অসিগী মঙমদা হন্থবা খরা মমাং চহিদা থোকখ্রে। মসি থোক্ত্রিঙৈগী মমাংদা সাইগ্নস অমদি লিরা হায়বা থৱানমিচাক চবুলশিং অসিগী মনুংদা ওইথোকপা য়াবা ৱার্ল্ড কয়ামরুম খঙদোকপা ঙমখ্রবনি।

# কার বোমনা মোগাদিসুদা ১১ হাংখ্রে



*মোগাদিসু, ফেব্রুৱারি* ২৭ঃ মোগাদিসু ইন্টলিজেন্স ওফিসারশিং তোয়না পুনগনবা চাগী দুকান অমদা কার বোম অমা পোকখাইরকপদা মীওই ১১ শিরে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

কার বোম অদু হেক পোকখাইরকপদা মৈখু চৈবুল অমা কাখৎলকখি। অদুগা হিংহৌবশিংনা শোক্লোইদবা মফমশিংদা চেনশিন্নখি পুলিস কেপ্তেন মুহমদ হুসেননা ফোঙদোকখ্রে।

শিরবা মীওই ১১ অদু হুসেননা উরক্লে হায়নসু ফোঙদোকখি। চাগী দুকান অসি সোমালিয়াগী ইন্টলিজেন্স য়ুনিটকী মেম্বরশিংনা য়াম্না তোয়না লাক্তুনা পুনবা মফম অমনি। অদুবু ঙসি শিরিবা মীওইশিং অদুগী মরক্তা গভর্নমেন্ট এমপ্লোয়ি কয়া য়াওখিবগে হায়বদি চপ চানা খঙদোকপা ঙমদ্রি।

অলকাইদাগা মরী লৈনবা অল সবাব হায়বা লুপ অসিনা হৌখিবা চয়োল খরগী মমাংদগী সোমালিয়াগী কোনুং অসিদা এটেক চংখরকপগী থৌদোক হেনগৎলক্লিবনি। মমাং চয়োলদসু অল সবাবকী টিম অমনা সোমালিয়াগী প্রসিদেন্টকী কোনুংদা কার বোম অনি পোকখাইহন্দুনা এটেক তৌরকখিবনি।

থা অসিগী হৌরকপদসু য়ু এন কনভোই অমগী মনাক্তা কার বোম অমা পোকখাইরকখি।

ঙসি থোকখিবা থৌদোক অদুবু উহৌবশিংনা হায়বদা, বোম থন্না য়াওরবা কার অদু চাগী দুকান অদু তম্না য়াংনা থৌজিনখি হায়রি।

বোম অদু হেক পোকখাইখিবগা লৈমায়দা ঈ মরক্তা কায়রবা গ্লাসকী মচেৎশিং চাইথোকপা উখি। নিংশিংবা য়াবদি মোগাদিসুগী অয়াম্বা শরুক চহি কয়ামরুম কন্ট্রোল তৌদুনা লাকখিবা অল সবাবপু ইং ২০১১ গী ওগষ্টতা অফ্রিকান য়ুনিয়নগী ফোর্সশিংনা তকখাইদুনা তাম্থোকখিবনি। মদুগী মতুংদগী মফম অসি ইংনা চিক্লা লৈরকখিবনি।

# য়ু এস তা নুপা অমা শোইবদগী মকোক্তা কাপশিঞ্জদুনা শিখ্রে

*লণ্ডন, ফেব্রুৱারি* ২৭ঃ য়ু এসতা নুপা অমনা মহাক্কী গার্ল ফ্রেন্দদা নোংমৈগী অশোই অঙামগী মরমদা তাক্লবা হোৎনবদা মশাগী নোংমৈনা মকোক্তা শোইদুনা কাপশিনবদগী শিখ্রে হায়রি।

মিসিগানদা লৈবা মশাগী চহি ৩৬ লোম শুরবা নুপা অসিনা মহাক্কী হেন্দগন অহুম অদু মরু য়াওদ্রগদি শোইনিঙাই অমত্তা লৈতে হায়বদু উৎনবা হোৎনবদা মহাক্কী গার্ল ফ্রেন্দগী মমাংমক্তদা মকোক্তা নোংমৈশিং অদু নম্লগা অমমতা ওইনা তিঞ্জল চিংখি হায়রি।

অদুবু অহুমশুবা নোংমৈ অদুদি মরু য়াওরমদুনা কাপথোরকপদগী মকোক্তা পানখিবগা লোয়ননা মফম অদুমক্তদা মপুন্সি মাংখিবনি হায়না দেত্রোইট ফ্রি প্রেসনা ফোঙদোকখ্রে।

ওঠোরিটিশিংনা হায়বদা, নুপা অসিগা করিমতা থোক্লদবা মশাগী চহি ৭, ১০ অমদি ১২ শুরবা অঙাং অহুমসু থৌদোক থোকপা মতমদা য়ুম অদুদা লৈখি। অদুবু অঙাংশিং অদুদি থৌদোক অদু হকথেংননা উহৌখিদে। নুপা অদুগী গার্ল ফ্রেন্দনা পুলিসতা হায়বদা থৌদোক থোক্কদবা নুমিৎ অসিগী অয়াম্বা মতমদি নুপা অদু য়ু ঙাওদুনা লৈখি হায়রি।

সেরিফকী ওফিসিয়েলশিংনা হায়বদসু মহাক্লা শিখিবগী মরম য়ুনা ওইগদবা মাল্লি হানয়সু ফোঙদোকখি।

Creative Circle
POROMPAT
A special technical course for
SECTION OFFICER's{S.O.}
Civil = 119 Posts | Electrical = 127 Posts | IT = 36 Posts
Departments: PWD, PHED, POWER, MINOR IRRIGATION & IFCD of Manipur.
ONLY 30 STUDENTS PER BATCH......
Stream's Available: Civil, Electical & IT.
Timings: (6:30AM to 9:00 AM)
Class commencing from 10th March 2014.
Contact: POROMPAT, OPP. JNIMS GATE, ABOVE AXIS BANK, IMPHAL EAST. 85750 50815.
SI/C-28-29 March

